# দুরান্দ কপ : চেন্নাইননা ট্রাঁও মায়থীবা পীখ্রে, নেরোকাগা ক্বালিফায়িং ক্লাশতা লম্বা তৌনরগনি



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ন আর্মিনা শীন্দুনা চথৱিবা ১৩১ শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা চেন্নাইন এফসীনা ষ্টেটকী হিরো আই লীগ টিম ওইরিবা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাঁও) এফ সীবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

চেন্নাইন এফ সীনা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পুন্না মেটচ ৩ শান্নবদা মেটচ ১ মায় পাক্লগা ১ মায়থীদুনা অমদি ১ দ্রো ওইরগা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংদুনা টেবলগী ২শুবা মফমদা লৈরি। নেরোকা এফ সীসু মেটচ ৩ শান্নখিবদা মেটচ ১ দ্রো ওইরগা ১ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা টেবলগী ৩শুবা মফমদা লৈরি। গ্রুপ অসিদা হায়দরবাদ এফ সীনা মেটচ ৩ শান্নবদা ৩মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈদুনা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।

চেন্নাইন এফ সী অমদি নেরোকা অনীনাথা অসিগী ৫গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা ক্বার্টর ফাইনেল ক্বালিফায়িং মেটচতা লম্বা তৌনরগনি।

ট্রাঁও অমদি চেন্নাইন অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ক্রোএসিয়াগী ফোরৱার্দ পিটর স্লিসকোভিকনা শান্নবা হৌরকপগী অহানবা মিনটতা চেন্নাইনগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্লা মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতামায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনখি।

ক্বামি কারিকারিনা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা চেন্নাইনগী অনীশুবা অদুগা ইরানিয়ন ফোরৱার্দ ভাফানা শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি।

ট্রাঁওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কেপ্টেন কোমরোননা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, কোলকাটাগী কিশোর ভারাতি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা জমশেদপুর এফ সীনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সফুটবোল টিমবু ২-১দামায়থীবা পীখ্রে।

জমশেদপুরগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু পিয়ুশ থাকুরি অমদি লালরোটমাৱিয়ানা শান্নবগী ২৬ অমদি ৮৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা নাওরেম সোমানন্দনা শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

# প্রেমিয়র লীগ : অর্লিং হলান্দগী হেটট্রিকনা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা নোটিংহম ফোরেষ্টপু লাকচনা থোইখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ১ (এজেন্সী): অর্লিং হলান্দনা চনখিবা গোল ৩, অলভারেজকী গোল ২ অমদি কেন্সেলোনা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা নোটিংহম ফোরেষ্টপু লাকচনা ৬-০দা চথৱিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লগীকী ঙসি ইটিহাদ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

হলান্দগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ১২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

জে অলভালেজকী গোল ২ অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৫ অমদি ৮৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা নোটিংহামগী ঈ দেনিসপু শান্নবগী ৭৬ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌথি।

অমরোমদা, ইমিরেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অর্সনেলনা এষ্টন ভিল্লাবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

অর্সনেলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু গেব্রিএল জিজস অমদি জি মার্টিনেলিনা শান্নবগী ৩০ অমদি ৭৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। এষ্টনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা দিলুইসনা শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা এনফিল্ড ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা লিভরপুলনা ন্যু কাসলবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।



আর ফর্মিনো অমদি এফ কর্ভালহোনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬১ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৮শুবা মিনটতা লিভরপুলগী গোল ২ অদু চনবা ঙমখি।

ন্যু কাসলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এ আইজাকনা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা লন্দন ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদ অমদি টোটেনহাম হোটস্পর ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

ৱেষ্ট হামগী টি কেররনা শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা টোটেনহামগী গোল চনবা ঙমখি অদুগা টি সৌচেকনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা ৱেষ্ট হামগী ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ভাইটেলিটি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এ এফ সী বোর্নমাউথ অমদি ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্স গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

## ষ্টেট জুনিয়র গর্লস কবাদ্দি টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস): বিহারনা য়ূম্বু ওইদুনা পাটনাগী পটলিপুত্রা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা সেপ্টেম্বর ১দগী ৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৮শুবা জুনিয়র নেসনল কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ ফোর গর্লসতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা মীওই ১৪না শাবা টিম য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী সেক্রেটরি য়ুম্নাম শরতচন্দ্রনা লুচিংদুনা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি ৱাহেংবম পিঙ্কি রানী, থৌনাওজম নোভেলিয়া চনু, থাংজম ভুমিকা চনু, মোইরাংথেম থোই, জে ালিকা অসেম, অলমাস, ৱাংময়ুম ফির্দোস ভানু, লাইশ্রম আইশ্বরিয়া চনু, লিসম প্রিতি জিন্তা চনু অমদি ৱাইখোম তম্ফাসনা চনুনি।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা সী ঐচ মিনা (কোচ), নিংথৌজম কিরনকুমার (মেনেজর) অমদি এমেচর কবাদ্দি ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী রেফরি ওইনা টি ঐচ মোটিলালনা শরুক য়াখি।

## প্রেমকুমার থাঙ-তা ট্রেনিং পীরুনবা ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস): থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা রাজস্থান থাঙ-তা এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২দগী ৪ ফাওবা রাজস্থানগী অলৱারদা লৈবা মার্সিএল আর্টস সেল্ফ দিফেন্স একাদেমিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ, ৱেষ্ট অমদি ইষ্ট জোন থাঙ-তা কোচশিংগী ট্রেনিং অমদি টাইম স্কোরিং রিজল্ট (টি এস আর) সিষ্টমগী মতাংদা তাকপী-তম্বীরুনবা থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল চেয়রমেন হুইদ্রোম প্রেমকুমার ঙসি অয়ূক রাজস্থানগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

খোঙচৎ অসিদা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট চুংখাম লোইদাংলৈমগা লোয়ননা কোচ অনী হুইদ্রোম কিরনকুমার অমদি সগোলশেম শ্যামানন্দসু শরুক য়াখি।

ট্রেনিং অসি থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা পায়খৎলকপা জোনেলগী ওইবা থাঙ-তা মশান্নবু চাউখৎনবা হোৎনবগী শরুক অমনি।

পনবা য়াবদি, থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওইনা সাউথ জোন থাঙ-তা কোচশিংগী ওইবা ট্রেনিং ওগষ্ট ১৪দগী ১৬ ফাওবা টামিল নাদুগী কন্যকুমারীদা পাঙথোকপা লৈখ্রবনি।

চন্দ্রকেশোর ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

## পি এ এল ৱাই সীনা য়াইরিপোক এফ সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা চথৱিবা এল চন্দ্রসেখর মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি এ এল ৱাই সী ফুন্দ্রেনা য়াইরিপোক ফুটবোল ক্লব (ৱাই এফ সী)বু ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা স্কোর ২-২দা দ্রো ওইখি। য়াইরিপোক্কী অজিসনা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অমজিৎনা শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা য়াইরিপোক্কী অনীশুবা গোল চনখি। ফুন্দ্রেগী গোল অনী অদুনা এম দি সুল্টাননা শান্নবগী ১৩ অমদি ১৫ শুবা মিনটতা চনখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা এম দি সুল্টাননা শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা মহাক্কী হেটট্রিক গোল চনবা ঙমখি অদুগা এম দি মিরাজ অলমনা শান্নবগী ৭৬ শুবা মিনটতা ফুন্দ্রেগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা য়াইরিপোক টিমবু ৪-২দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি ঐচ সন্তোশনা ফুন্দ্রেগী এম দি করিফ অমদি এম দি অজিমুদ্দিন শান্নবগী ২৪ অমদি ৭৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

## ঐচ এস প্রনোয় জপান ওপনগী ক্বার্টর চঙখ্রে

ওসাকা, সেপ্টেম্বর ১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ষ্টার শট্‌লর ঐচ এস প্রনোয়না সিঙ্গাপোরগী হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন লোহ কিন য়ুবু ঙসি শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলসকী ২শুবা রাউন্দদা মায়থীবা পীদুনা জপান ওপন সুপর ৭৫০ টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

প্রনোয়না ৮শুবা সিদেদ লোহবু মিনট ৪৪ চুপ্না শান্নখিবা মেটচতা ২২-২০, ২১-১৯দা মায়থীবা পীখি। হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৮ প্রনোয়গী ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা সিঙ্গাপোরগী ৱর্ল্ড নম্বর ৭কা মরিরক থেংনবদা ৩লক শুবা ওইনা মায় পাকখিবনি।

## য়াসনা এৱার্দকী এপ্লিকেসন পীশিল্লক্নবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মণিপুরনা তোঙান-তোঙানবা এৱার্দ মঙা- মেজর ধ্যান চান্দ খেল রত্ন এৱার্দ, অর্জুনা এৱার্দ, দ্রোনাচার্য্য এৱার্দ, ধ্যান চান্দ এৱার্দ ফোর লাইফ টাইম এচিভমেন্ট ইন স্পোর্টস এন্দ গেমস অমদি রাষ্ট্রিয়া খেল প্রোটসাহন পুরস্কারগীদমক ইলিজিবল ওইবা স্পোর্টসপর্সনশিংনা এপ্লিকেসন পীশিল্লক্নবা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ৱাই বোনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

স্পোর্টসপর্সনশিংনা এপ্লিকেসন-গীদমক মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিং থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা ৱেবসাইট www.dbtyas-sports.gov.in গী খূথাংদা পীশিল্লক্নবা খঙহল্লক্লি।

## সেপাক টাক্রো ট্রায়ল পাঙথোল্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকাটাদা ওক্টোবর ১৬তগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩২ শুবা সিনিয়র নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৭তগী ১০ ফাওবা হৈঙাং মখা লৈকাইদা লৈবা আই এম এস য়ু সী গ্রাউন্দদা অয়ূক পুং ৭.৩০দগী হৌদুনা পাঙথোল্লগনি হায়না ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি পি দুর্জিৎনা খঙহল্লক্লি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিগীদমক জুন ২৫দগী ২৯ ফাওবা য়াৱা ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখিবা ৩৬শুবা সিনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ষ্টেট সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি।

শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ৭কী অয়ূক পুং ৭.৩০দা আই এম এস য়ু সী গ্রাউন্দদা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি পি দুজিৎতা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

## ষ্টেট টিম ট্রায়ল পাঙথোল্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস): ষ্টুদেন্টস ওলিম্পিক এসোসিএসন ইন্দিয়ানা শীন্দুনা পঞ্জাবকী জলনধরদা লৈবা লভলি প্রোফেসনেল য়ুনিভর্সিটিদা ওক্টোবর ১৪দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯শুবা ষ্টুদেন্টস ওলিম্পিক নেসনল গেমস ২০২২-২৩দা শরুক য়ানবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী ওইবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৪দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চরাংপাৎকী আর ৱাই দি ও গ্রাউন্দদা পাঙথোল্লগনি হায়না ষ্টুদেন্টস ওলিম্পিক এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরি এল নিলঞ্জয় মৈতৈনা খঙহল্লক্লি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসি কেটগোরি মঙা- য়ু-১২, য়ু-১৪, য়ু-১৭, য়ু-১৯ অমদি য়ু-২২ থোক্লা খায়দোক্কনি। কেটগোরিশিং অসিগী মনুং চনবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা আর ৱাই দি ও গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৪গী অয়ূক পুং ৭ নংনবা লাক্তুনা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি। শান্নরোয়শিংনা ট্রায়ল লাকপা মতমদা মশা-মশাগী শক্তাক চে আধার অমদি পাসপোর্ট ফোটো ২/২ লোয়নরক্নবা খঙহল্লক্লি।

## ওল ইন্দিয়া ইন্টর স্কুল শুটিং কম্পিটিসন পাঙথোল্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস): নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পশ্চিম বর্ধমানদা লৈবা অসানসোল রাইফল ক্লবতা ২৪শুবা ওল ইন্দিয়া কুমার সুরেন্দ্র সিংহ ইন্টর স্কুল শুটিং চেম্পিয়নশিপ ইন এয়র ৱেপন ইভেন্ট থা অসিগী ১৮দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোল্লগনি।

শরুক য়ানিংবা শুটরশিংনা এন আর এ আইদা এফিলিএট তৌবা ষ্টেট রাইফল এসোসিএসনশিং অমদি য়ুনিটশিংগী খূথাংদা ৱেবসাইট www.thenrai.org দা এন্ট্রি ফাইল তৌরক্নবা খঙহল্লক্লি।

নোর্মেল ফীগা লোয়ননা ওনলাইন এন্ট্রিগী অরোইবা মতম থা অসিগী ৯গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা ওইগনি অদুগা ট্রিপল এন্ট্রি ফীগী ওইনা অরোইবা মতম্না থা অসিগী ১২গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা ওইগনি হায়রি।

সঙ্গিতা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

## ৱাই দব্লিয়ু সীনা ৱাই এ সী থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথৱিবা সঙ্গিতা মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা য়াইস্কুল এথলেটিক ক্লব (ৱাই এ সী) য়াইস্কুলবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফকী অপীবা মতম লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৪শুবা মিটতা দব্লিয়ু প্রিতনা ৱাই দব্লিয়ু সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি

মেটচ অসিদা রেফরি পাওগৌলেননা ৱাই এ সীগী শান্নরোয় অনী- টি ঐচ নিকোলাস অমদি এন পিতর শান্নবগী ৯ অমদি ৫৩ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ইরাই নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচ নুংথিল পুং ১দা এস সী কে কোদোমপোকপী অমদি ৱাই য়ু সী ইরোম মৈজ্রাও শান্নরগনি। অনীশুবা মেটচ নুংথিল পুং ৩দা আই এফ সী লম্ফেল অমদি বি এম এস সী তৌবুংখোক লম্বা তৌনরগনি।

## অম্ফানা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলনা কুপ্না খন্নরবা মতুং ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগকী ক্বালিফায়িং রাউন্দ ওইনা পাঙথোকপা এ শান্তমীতৈ মেমোরিএল ১৩শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২২গী মেটচশিং গুজরাটনা য়ূম্বু ওইদুনা ওক্টোবর ১দগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমস অমদি এস এ এফ এফ চেম্পিয়নশিপকী য়েংলগা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে।

সিনিয়র ৱিমেন্স লীগ অসিগী মখা তাবা মেটচশিং নেসনল গেমস লোইরবা মতুংদা শান্নরগনি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

## সনফিষ্ট কপ পাঙথোল্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস): এস পি টি স্পোর্টসনা শীন্দুনা ৬শুবা সনফিষ্ট কপ জুনিয়র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওক্টোবর ৬তগী ১২ ফাওবা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোল্লগনি হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মেম্বর য়াম্বেম অরুন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান-তোঙানবা চহী কাঙলূপ অনী- চহী ১৩ মখা অমদি ১৬ মখাগী ওইনা পাঙথোক্কনি। রেজিষ্ট্রেসন অমদি অকুপ্পা মরোলগীদমক থাউ ওফিসতগী খঙলবা য়ারগনি হায়রি।

## ষ্টেট নুপা অমদি নুপীগী কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস): গুজরাটনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬ শুবা নেসনল গেমসকী কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং মশান্নদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদৌরিবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংগী টিম মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী রোৱিং অমদি কেনোয়িং এন্দ কয়াকিংগী এদহোক কম্মিটিনা লাউথোকখ্রে।

নুপীগী কাঙলূপ্তা এম সোফিয়া (সী-১, মিটর ২০০); এস চাওবা অমদি ঐচ বিদ্যপতি চনু (সী-২, মিটর ৫০০); সী ঐচ বিমোলা অমদি এস ঐচ সুশিলা (কে-২, মিটর ৫০০); এম সঞ্জু, এম সুর্মালা, দব্লিয়ু তামা অমদি এল মোমোতা (কে-৪, মিটর ৫০০)নি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা এম রোবিন (সী-১, মিটর ১০০০); ও অরুন (কে-১, মিটর ১০০০) অমদি প্রিয়োবর্তা অখোম (কে-১, মিটর ২০০)নি।


টিম ওফিসল ওইনা কে ঐচ অনিল অমদি সোইবম রবিকুমার (মেনেজর), টি ঐচ নরেশকুমার অমদি এ ননাও (কোচ)না শরুক য়ারি।

খনগৎলবা টিম মেম্বরশিংনা রোৱিং অমসুং কেনোয়িং এন্দ কয়াকিংগী এদহোক কম্মিটিগী কনভিনর টি দুশন্তদা থা অসিগী ৩ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

## মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসননা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচ এন এস): ৩৬শুবা নেসনল গেমস ২০২২গী ফেন্সিং মশান্নদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগী খনগৎলবা ফেন্সরশিং অমদি কোচশিংনা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম কুমারদা অয়ূক পুং ৮.৩০দা সাই এন ঈ আর সী তাকয়েলপাৎতা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 560**

**A. Suss - Gernot Blum**
**Germany M-class corr BdF, 1973**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nc3 Nf6 | 4.Bg5 dxe4 |
| 5.Nxe4 Be7 | 6.Bxf6 Bxf6 | 7.Nf3 Nd7 | 8.Qd2 b6 |
| 9.Bb5 Bb7 | 10.Nxf6+ gxf6 | 11.Qc3 Qe7 | 12.Qxc7 Qb4+ |
| 13.c3 Qxb5 | 14.Qxb7 Qxb2 | 15.O-O Rd8 | 16.c4 Qa3 |
| 17.d5 O-O | 18.Rfe1 Qd6 | 19.dxe6 fxe6 | 20.Rad1... |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 559 Ans. :**

23. Rg1+ The white rook deflects Black's knight away from protecting the square g5. Nxg1 24. Qd5+ Intermediate check
Not 24. Kxg1 because of Rf1#
Not 24. Bxf8 because of Nf3 25. Qe2 Kxf8
24. ...Rf7 25. Qg5+
25. Qa8+ Qc8 26. Qxc8+
25. ...Kh8 26. Qd8+ Rf8 27. Qxf8# Back-rank mate
23. Rg1+ Nxg1 24. Qd5+ Kh8 25. Qd4+
1-0

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE PRINCIPAL, D.M. COLLEGE OF ARTS, IMPHAL**
**DHANAMANJURI UNIVERSITY, MANIPUR**

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / **NOTIFICATION**

Imphal, the 1st Sept., 2022

No. 5/1/Notice/2018-DMCA: With reference to the DMU Registrar letter No. 2/1/2018-MU-Admn(Pt-2) dated 12th August, 2022 it is hereby informed to all the students who have been admitted into of B.A. 1st Semester (Regular Course) for the academic session 2022-23 that they are to be present in the premises of D.M. College of Arts, Imphal on 5th Sept., 2022 without fail to change their subject combinations to Honours Courses as per 4 years Degree Course under Dhanamanjuri University, Manipur.

Particular details of the programme can be had from the college website and college notice board.

Sd/- **Dr. Ch. Sheelaramani**
Principal
D.M. College of Arts, Imphal

HL-P/4004/2

**No. PR-17/14/2022-23/PHQ(Battery)/**
**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**POLICE DEPARTMENT**

ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯅꯣꯇꯤꯁ / **TENDER NOTICE**

Imphal, the 26th August, 2022

The Director General of Police, Manipur hereby invites Open Tender in Sealed envelope consisting of 2 bid system i.e. Technical Bid consisting of all technical details catalogues and Price Bid indicating item-wise price of the sizes of Batteries from all intending reputed and registered Manufacturer / authorized firms for supply of Batteries. Specification of the items to be supplied are enclosed in the Schedule. The Tenders will be received by the undersigned upto 1300 hrs of 27/09/2022 and shall be opened on the same day at 15:30 hrs in the presence of the tenderers / their representatives, if any in the office of Superintendent of Police, CMTW, Imphal. The rates to be quoted should be Inclusive of all applicable GST.

The schedule, terms and conditions in this behalf can be collected from the office of the undersigned during office hours on or before 22/09/2022.

Sd/- **Director General of Police,**
Manipur, Imphal.

HL-B/7816/2

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com